**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 19-03-2026)**

**চৈরাউবা (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি লাইনিং লাইশোল অমদি মহৌশাগী চৎনবীগা লোয়ননা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা পাঙথোক্লি।

চৈরাউবগী থৌরম অসিদমক অয়ুক অঙনবা মতমদগী হৌদুনা মীয়ামনা কৈথেল কানরি। থৌরম অসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোলগী থৌরমশিংগা লোয়ননা য়ুমথোঙ খুদিংদা পাঙথোকবা শেম শান্নরি। নুমিৎ অসিদা য়ুমগী লাইনিংথৌ লৈমারেন্বীদা কুমগী অনৌ-অপেন, মনা মশিং য়াওনা হৈ-লৈ কৎতুনা ইরাৎ থৌনিজগনি।

মহৌশাগুম উত্র শঙলেন সনা কোনুংগী চৈথাবগী থৌরম উত্র শঙলেনদা হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কনি।

**মেসেজ (এল)ঃ** শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা লাকপদা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, অধ্যক্ষ অমসুং লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-মীতৈ ফুরুপকী চহি হৌবা নুমিৎ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা অনৌবা আশাগী য়েন্নিং হুনবা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা অনৌবা আশা অমসুং পাঙ্গল হাপ্তুনা চাউখৎপগী লন্বীদা অনৌবা খোঙকাপ থাংবা ঙম্বা ওইরসনু।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-নুমিৎ অসি

মথেল লুকোই লাংবা, য়ুম-কৈ শেংদোকপা অমদি চীং কাবা খক নত্তনা ঐখোয়গী পুন্সিগী অনৌবা খোঙচৎ অমা হৌবগী তাঙ্ককনি অমদি নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তম অদু হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনসু চৈরাউবা নুমিৎকা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা ডা: বিমোলনা হায়-অনৌবা চহি অসিদা ইশা ইশাগী ইমুং মনুংগী অমসুং লৈবাক মীয়ামগী ওইবা খুন্নাইগী পুন্সি, তংদু লৈতাবা, নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু।

এম.এল.এ. কোংখাম রোবিন্দ্রো, থৌনাওজম বসন্তকুমার-এম.এল.এন অমসুং তোংব্রম রোবিন্দ্রেনসু চৈরাউবগা মরী লৈননা মনিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) নসু শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ অনিগী মীওই অহুম ফারে। দ্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম অমসু ফাবা ঙমলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক্কী হকচিনবা মীওই অমা থৌবাল জিলাগী থৌদাম লাইশ্রম লৈরক্তগী ফারে। মঙোন দগী পোইন্ট সভেন সিক্স টুগী মরু অনি অমসুং গাড়ি মচা অমা ফাগৎলে। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কোংবা মখা উচেক্কোনদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী নুপী কাডর অমা ফারে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌলুপ অসিমক্কী এক্তিব কাডর অমসু জিলা অসিমক্কী কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদগী ফারে। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থঙ্গাল বজার বোড়া গল্লিদগী দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা মীওই অমসু ফারে। মঙোন্দগী এস.পি. টেব্লেত লিশিং ৫৬,২১৬

ফংলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নাকা চেক পোইন্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা ফৌগাকচাও ইখাইদগী দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা মীওই অমসু ফাবা ঙমলে। মঙোন্দগী কাণি কিলোগ্রাম অমা মখায় ফংলে। বিষ্ণুপুর জিলাগী নেসনেল হায়ৱে টু ক্বাক্তা সেরিকলচর ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট এরিয়াদগী মনিপুর পুলিসনা মীওই অমা হেরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ২৭১ গা কোন্ননা ফারে। মীওই অসিদগী চাকা মরী পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাও মাকতিং অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

অমরোমদা, চান্দেল পুলিসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী চান্দেলগী সেলোন এরিয়াদা লৈবা চেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা মীওই অমা ফারে।

ঐখোয়গী চান্দেল পাউমী-জিরে মোয়োননা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-ফারবা মীওই অদুদগী টেব্লেত গ্রাম ৪১০, টাটা সুমো অমা অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি। মীওই অদু ফারবা পোৎলমশিং অদুগা কোন্ননা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক মোলচাম পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**এনআইএ (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শম্বল লৈকাইদা হৌখিবা চহিদা অসাম রাইফলসকী কনভোই অমদা এম্ব্যুস তৌবদা চেন্নবা পি.এল.এগী মীওই অহুমগী মথক্তা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না চার্জ সিট থাংগৎখে।

চার্জসিট অদু ইম্ফালগী এন.আই.স্পিসিএল কোর্টতা থাংগৎখিবনি। মখোয়গী মথক্তা ভারত্তিয়া নিয়াই সনহিতা আমর্দ এক্ট, প্রিভেন্সন ওফ দেমেজ টু পাব্লিক পোপরটি এক্ট, এক্সপ্লোসিপ সবসটেন্সেস এক্ট অমসুং য়ু.এ. এক্টকী মখাদা মরাল লৈরে হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শম্বল লৈকাইদা হৌখিবা চহিগী

সেপ্তেম্বরদা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী ত্রক অমদা এম্বুস তৌবদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অনি লৈখিদবনি। অদুগা অতোপ্পা পার্সোনেল মঙানা অশোক অপন নংখিবনি।

**লানঃ** নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মফমশিং অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কমিতিগী মীফম অমা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী মীহুৎ কাংবুনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কংগ্রেসকী এম.পি. সাসি থারুরনা সভাপতি ওইখি।

মপাল থৌরম মন্ত্রালয়গী মায়কৈদগী মন্ত্রালয়গী মীহুৎ কাংবু অদু সেক্রেটরি ৱেষ্ট-শ্রীমতি জোর্জনা লুচিংখি। মীহুৎ ১৭ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা শ্রী থরুরনা হায়-মীফম অদুদা নোংচুপ এসিয়াদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগী অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমসুং তঙাইফদ্রবদি ভারত্তা হল্লকহন্নবগী ৱাফম কয়া খন্নখি। মসিগা চপ মান্নবা মীফম অমসু মমাং থাদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখি।

**পেট্রোল্লিয়মঃ** নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী চৈরক্তা লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংদা কম্মরসিএল এল.পি.জি. হান্না পীরম্বা চাংদগী চাদা ১০ হেনগৎনা পীরগনি।

রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইবা চিঠি অমদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-নিরজ মিতলনা হায়-এল.পি.জিগী মহুৎতা পি.এম.জি. হেন্না শিজিন্নখিবনা মরম ওইদুনা এল.পি.জি. শিজিন্নবগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপদগী এল.পি.জি. দরকার লৈবা মফমশিংদা কর্ম্মরসিএল এল.পি.জিগী চাং হান্না পীরম্বা চাদা ২০ দগী চাদা ১০ হেনগৎলগা চাদা ৩০ পীননবা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা ষ্টেট ফোক্স পেপর-২০২৬-২৭ লোঞ্চ তৌখিবা। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, মনিপুরগী পোনি কন্নবা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং ইন্দো-ম্যান্মার বোডর পিল্লর নম্বর ৯০ গী মনাক্তা নোংমৈ কাপখ্রে। কে.এন.এ.বি, পি.দি.এফকী লান্মী মরি শিরে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

পাউশিং অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা বেঙ্কিং সেক্তরগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দগী ৱাফম অমসুং সরকারনা সেন্সসকী মতাংদা কুপা খন্নরি হায়না দিপ্যুতি চীফ মিনিস্তর-লোশি দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

টেরর কন্সপেরেন্সিগী মরালদা এন.আই.এনা ফাখিবা যুক্রেনগী মীওই তরুক থাদোরকবা যুক্রেন লৈঙাকা তকশিল্লকখ্রে। য়ু.এস. লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা ৱাফম অমত্তা কাংথোক্তনা লৈরি হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী ওদিটোরিয়ম কাংখা থাং ওল্লে হায়বা পাউ অমসুং সংসক তেংনৌপল লম্বী শেম্বগী সেঙ্কসন ককথৎখ্রে হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকা ইরাপ লাপদবা ম্যান্মারগী মিন থারদা খুৎ থোকখ্রে। কে.এন.এফ.বি-পি.দি.এফ. মঙা শিরগা মরি শোকপগী রিপোর্ট ফংলে। লীতানগী তাংখুল খুল অনি তমা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপ্লকখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীতোপ কয়া চংশিল্লকপনা মনিপুর কাংখোং চাইরে হায়না হান্নগী জে.সি.আই.এল.পি.এসকী কনভেন্নর-খোমদ্রাম রতননা রিয়েলাইজ টু সেফ দি-ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মনিপুর হায়বা হীরমদা থাবুম অমা চুপা পাঙথোক্কদবা ৪৬ শুবা রিয়েলাইজেসন মন্থ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা সনা লৈবাক পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মেজর বোব খথিংনা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং গভনরনা নীংশিংখ্রে হায়বা পাউ অমসু মনিপুর মেলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।